# ঐখোয়গী চৎন-লোনচৎকা শাগোন্নদুনা লৈরিবা লমজিং মঙান পীরিবা শূবা নোম্বা কনবা ককচেং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*হারৌ - ঙসি কৌবা কোরৌ নুমিৎসে ঐবু কমদৌসি হায়বনো? নোংনা মরোন অমা লেপ্পনা চুবনে, চেঙফুদা চেঙ য়েংই লৈতেদো, শীংগৈদা শীং লৈব্রা য়েংবসু লৈতে, ইচাশিংনা মরোন অমা চাগেগা থক্কেগা ঙেং ঙেং ঙংবনা লোইরে। কনাদগীবু হংলু-নিরুসিগবনো? তৌফম খঙদনা ককঙাওনদুনা লৈরম্বা হারৌদো ৱাখল অমা লাকই। অতোপ্পদগী হংবা ইকায়রিঙৈদা চরা হেনবা তারে, পুক থলহৌরগা লোইরে খল্লকই। ৱাত্ত পাদবী শূবা নোম্বা কনবী ককচেং নীংগাংবীদগী পুবরা লঙবরা তৌরুরগে হায়দুনা ককচেং নীংগাংবীগী মনাক্তা লাকই। ককচেং নীংগাংবী মতৈ মনাওদু চাক ঈশিং চাবা থকপা লোইরবা মতুংদা মচাশিংগা নুংঙাইনা ঈশৈ ফাংনদুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা হারৌনা ককচেংবু কৌরদুনা চঙলক্লগা ককচেং নীংগাংবী মখোয় অনী অসুম্না অৱায় অখুম তৌনরকই -*

*হারৌ - ইনম্মা, হো ইনম্মা, ইনম্মা ককচেং নীংগাংবী।*

*ককচেং - হো কনানো, করি হায়বনো?*

*হারৌ - ঐনে ইনম্মা! চেঙ খুয়া অমগা শীং খরগা পুজগে লাকচবনি, ইচাশিংদো চরা হেন্দুনা মবুক পায়দুনা খাঙলেনে ইনম্মা।*

*ককচেং - থবক শূবা ঙমদ্রিবা পিক্লিবা নচাশিংদুগী খল্লুরবদি লেম্নসু পীথোকপা য়াবনি, অদুবু পীনীংদ্রে। খোঙ্কং খূৎকংবা মতমদা তুংগী করিমত্তা খন্দবমখৈ নোংম-নোংমগী অফং অফংবদু শিৎ তেংনা চাথোক্লগা নীংঙাইদনা ঈশৈ শক্তুনা লেনখিবনিদো নখোয়দি। নোংজু পান্থা য়ৌরকপা মতমদা শূরু নোম্লুবা ঙল্লোইদবনিনা চরা হেন্দনবা হায়দুনা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ তৌদুনা শূজ-নোমজদুনা থমজহৌবা খরসিনা নুংলেঞ্জবনি। নখোয়দা পীথোকখ্রবদি ইচাশিংসে চরা হেনগনি, পীবা ঙল্লোই। নোংজু পান্থাসিদসু ঈশৈ অদুম শক্তুনা লেল্লুরো, মদুনা নবুক থঞ্জরনি, ৱারৌবা য়াদেকো।*

অশেংবা থৌদোক্তি নত্তে, অশেম্বা ৱারীনি। শূবা নোম্বা তন্দবা অমদি শূনীংদবা অনীগী খেন্নবা উৎপনি। ককচেং অমদি হারৌদা প্রমান তৌজবৈ ৱানি, থাঙ্গৈশেংবদি তাইবঙ মীওইবগী অফ-ফত্ত মচৎশিংবু নৈনবনি। থবক শূদনা মীঙোন্দগী নিরগা হিংগনি হায়বসি ইকায়নীংঙাই মশকনি হায়বসি নত্তবা করি করম্বা পাউজেলবু লৈরিবগে? মমলসু অদুক্কী মতিক ৱাংখ্রে। ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবা, মীৎ-মায় খংশিং শিংগৎহনবা ৱারীনি। মণিপুরগুম্বা শূদনা খঙনুং নুংঙাইনীংবা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবী খুন্নিংবা শেম্ফু কাঙজেন্নরদি নুংঙাইখ্রনিদকো খনবা, শেম্হং লৌফম কদাইদা লৈরিজাৎনো হায়না কোয়থি থিবা, মীগী মচা মাঙবা মাঙদবা, শিবা-শিদবা, লৈবাক-খুন্নাই মনীং হনবা-হন্দবকা কোক্তা চঙদনা লোনা য়াদবা পোৎ কয়া হুরান পোৎয়োন তৌবনা মশীং থিঙমদখৈ লৈরবা, লায়েংবদা ৱারবা কতন লায়না লাইচুরবা লমদম অসিগী ওইনদি শিদ হীদাক ওইরবা ৱারীনি হায়বা য়াই। অহল লমনশিংনা তাকপীবা ৱাহৈশিংদি - ***ককচেংশিংনা মচিন পিকক্র পিকপশিংদুদা মচিঞ্জাক চিক্লগা মরী মরী পরেং শানা চৎলবদি নোং শোয়দনমক্কী তারক্কদৌরবনি।*** হায়গুম্লদুনা নোং হেক্তমক তারকই। লোম্হোক্তবা উচেক-ৱায়া, শা-কৈ, তীল-কাংশিংসে তাইবঙ মপুনা শেম্বীরকপদা মীওইবা ঐখোয়দা য়াওদবা মহৌশাগী খোঙচৎ অমদি থোরক্কদবা থৌদোক ৱাথোকপু খঙবা ঙম্বগী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই হাপ্পীরম্মী হায়বসিমদি ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। ককচেং মচা মচাশিংদুনা নোং তারক্কদৌরে, তারক্ত্রিঙৈদা চান-থক্লবা ৱাত্তনা পৈশিনহৌরগে হায়বগী ৱাখলদা ককচেং পুম্নমক খুন হৌদুনা হোনজিনবদো য়েংবা নুংঙাইবনি। থোইনা হেন্না নুংঙাইবদি অরাকপগা চৎখিবগা করিবু হায়নজরিনো খঙদে মচিন মচিন থেংজিন্নদুনা ৱারী শানবগী মতৌ অমা উৎপদুনি। মদো মচিঞ্জাক লৈফম মফম তাকপা ওইরমদৌবা মাল্লি। তাইবঙ মী ঐখোয়সিনা শাথীবৈ জাত্তি অদুক ৱানা নোমজেন চেন্দুনা হোৎনজরিবা ককচেংশিংদো খোঙপাক্লা শ্রু শ্রু নৈথৎলগা পুন্সি চেঙজেন লোমহনখিবসু কোঙ্গায়নি।

অঙাং ওইরিঙৈদনি, অঙাও অফে ৱাখল হায়তারে, ইমানা উদ্রিঙৈদা ককচেং ফারগা চাবা মতাংসু য়াওখি। মদু চারবদি ঈশিংদা ঈরোইবা য়াম্না লায়না হৈগনি হায়বা ইথক থোংবশিংনা হায়বদু থাজবদগী মথোং হুকখিদ্রবা থৌওং থৌচৎ অদু পাঙথোকখিবনি। ঐ ইশাখক্তমক চাবসু নত্তে, ইতুং কোইন ইন্দুনা চয়েৎ খোয়েৎনখিবা ইনাওনুপীশিংগী মচিন মচাশিংদুদসু ককচেং ফার-ফারগা নমশিনবীখিবনি। মখোয়দং ঈরোইবা হৈরবদি ঐঙোন্দা য়েৎলরোই, ইনীং ইখা তম্না ঈরোইবী শান্নবা ঙমজরনি হায়বা ৱাখন্দনি। ককচীংগী লুহোংবা থৌরমগা ককচেংগা লৈনবা মরীগী মতাং অমা থমজগে। লুহোংবা নুমিৎকী বরগী মমাঙদা মাগী মচে মচল নৎত্রগা মনেনা পুবা চেঙলুক নুংশাং (চেঙনুংশাং) অদু লুহোংবা নুমিত্তগী পারগা মঙানি চনবা নুমিত্তা পাঙথোকপা ***মঙানি চাক্কৌবা*** নুমিত্তা নুপা ময়ূমগী মৌ অহুম লাক্তুনা চেঙ, ঙমু লৈরৌ, ক্বানচিংবা য়াওরিবা চেঙনুংশাং অদু কাইথোক্তুনা য়েংই। মনুংদুদা য়াওরিবা পোৎলমশিংদুগী মরক্তা ককচেং য়াওরম্বা থেংনরবদি য়াম্না হরাওনৈ। লুহোংলিবা নুপা নুপী অনীদু চাদ-নাউদাদুনা অমদি মচাক মরন তানশিন্দুনা ৱাত্ত-পাদনা ঈংনা চিক্লা নুংঙাইবা য়ূম্বান হায়বদু শুংশোয় শোয়দনা ওইগনি হায়না থাজনৈ।

ককচেংদগী তমজবা য়াবা অতোপ্পা খরসু লৈ। অপূনবনা পাঙ্গন্নি হায়বসি মখোয়দগীসু ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। অদুক্কী মতিক পিকখ্রবা মখোয় ময়াম অমা পুনশিল্লগা নাচন খোঙয়াম্বী, থরাইকোকপী, তিন্থোক্লচিংবা মচিঞ্জাক ওইবা পোৎশিংবু চিংবোই থাংবোই তৌরগা পুবদু অঙকপা অমনি। য়েংবদা নুংশিবসু ফাওবজাৎনি। পিশক পিকপনি হায়দুনা উশিৎ থৌওইদনকা তৌরুবা য়াবা নত্তে। পুমিন্নবা য়াঙবনি হায়বা পাউরৌ অসি মখোয়গী থৌদৌসি উরগা শেমখিবা ওইরমদৌবা মাল্লি। অসুম নীংশিংলুরবদি নীংঙমদবা থৌদোক কয়াম অমসু লৈরিপোৎনি। নীংথমথাগী ত্রৎ ত্রৎ ঈংবা মতমদা উকং খায়দোকপা মতমদা ককচেং ময়াম মনুংদা য়াওরম্বা থেংনৈ। মখোয়শিংদুগী মরক্তা চেম্থোকখিবা খরা নত্তনা অয়াম্বদি মৈনুংদা অদুম্মক পোৎলোইবীখ্রবনি। থিজিল্লুরবদি ককচেংসু অরায়বা, ইচম চম্বা তীল অমা ওইরমদ্রে। গুরুগী থৌশিল থৌরাং মখাদা তাইবঙপান অমদি মালেম লৈশেম্বগা লোয়ননা তাইবঙ মীওইবা অমদি থৱায় পানবা অচৎ চত্ত, লেঙলি পাল্লিবা পূম্নমক শেম্বদা তীল-কাঙসু য়াওরম্মী। পুদিন, লৈথক লৈখারোলনচিংবা পুয়াদসু তীল-কাঙ শেমখিবগী ৱাফম পল্লি। ইরম্বা মতুংইন্না পিতুসংনা হয়িং পোকই, খোইরুরেঙনা খোই পোকই, কাঙকুরু লুলৈরেলনা কাঙ পোকই। লীরিকমুচেংনা ককচেং পোকই হায়রি। মতৌ অসুম্না তাইবঙ মপুগী থৌজাল ফংজরবা মতিক ময়াই লৈরবা ককচেংনি। ককচেংচরা অশীনবা, ককচেং নীংদুম্বীনা চিক্লবদি খরা নাবা ফাওই। অদু ওইরসু হুই, লিন্না চিকপদৌনা মহু কাবসু নত্তে। অসিগুম্বা ককচেংনা চান থক্লবা চেঙ, হৱাই, ঙানচিংবা মরক্তা য়াওরম্বদা মীওইবা ঐখোয়গী য়েক্লবগুম্না খল্লি। খন্থরুরবদি ইকায়বদুম ফাওরকই। মখোয়গী মতৌ তম্বা ঙল্লবদি খরসু শাফগদবা। ●

# মৈতৈ/মীতৈ চীংগী নাগা ইচিল-ইনাওগুম সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইগদবনি

-নিংথৌজম নিলাচন্দ্র -

ঐখোয় মৈতৈ ফুরুপ অসিসু চীংগী নাগা ইচিল-ইনাওগুম সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইগদবনি হায়বগী মরমশিং অইবনা তাকচবদা লায়না থোক্লবা ইতিহাস ধর্ম্ম হৈবশিংগী মরী লৈনবা ৱারী খরা মখাদা পীজরি।

**খোংজোম লান** - কুমজা ১৮৯১ মণিপুরগা বৃটিশকা খোংজোম লান শোক্লে। শ্রী পাওনম নাওল (চহী ৫৮) শ্রীধাম বৃন্দাবন্দ মতম শাংনা লৈখিবা অমদি মণিপুরগী বোম টোপ কাপ্পগী কম্মান্দর ওইখিবা, থাঙ য়াম্না হৈবা মরম্না নিংথেমচাশিং ফাওবা মঙোন্দগী থাঙ তম্বগী ওজা অমসুং ইপু কৌনবা অথৌবা অসি ব্রজবাসি মীংথোল ফংই।

ইপু পাওনাসি মেঞ্জোর ফম থিন্দোক্তুনা লান্মী ৫০০গা লোয়ননা খোংজোমদা বৃটিশকা লান শোক্লনবা নিংথৌনা থাখি। মহাক্কী মমাঙদা চোংথামিয়া মেঞ্জোর হান্না খোঙজোম লানবনগী কম্মান্দর ওইদুনা লৈ। কোন্না লাকপা ইপু পাওনা মেঞ্জোর তোপ য়াওরমদবা অমদি য়েক্লবা বৃটিশকী লানবনদি চিংথক্তা (লাঙথেল চীং) লৈবা, তোপসু য়াওবা মরম্না লম্বা য়াররোই অমসুং লানবন শারিবা মিয়াগা তর্ক খরা তৌনৈ। কম্মান্দর অমদি সেকেন্দ-ইন-কম্মান্দ তর্ক তৌনবদু লান্মীশিং নাকপাক তানরম্লগনি।

নিংথৌদা তোপ অনী থারকপীনবা হায়দুনা শগোল তোংবা লান্মী থারকখি, নিংথৌনদি পিখ্রো হায়রগা থাঙ্গাল জেনরেলনা য়াদদুনা তোপ পীখিদে। পাউ অসি ফংবদা ইপু পাওনানা অমুক হন্না তোপ পীরক্লবা লান্মী থাখি। মতাং অসিদদি নিংথৌ মশামক্লা তোপ গারোদতা চৎলগা তোপ অনী মরূগা লোয়ননা শামু অনীগী তাইবোৎ মথক্তা হাপ্তুনা তোপ থারকখি, শামুনা ৱাইথৌ য়ৌবদা লানদি হৌখরে। তোপ য়াওদনা লান শোক্লরে। ইপুনা থৱায় শোক্লা লান্মীশিংদা য়েক্লবনা খূৎলায় হেনখ্রে থৱায় পাম্মুবশিং চেল্লো, লানদি মায়থীরগনি লাউথোকখি অদুবু ইপুদি শিহৌরগে হায়বদগী মনাওনিপাসু শিমিন্নখি, তাদনা লৈহৌরগা মহাক্লা করম্না চেনখিগদরা হায়না ময়াম্বনা তাল্লবসু য়াদবদগীনি।

চোংথামিয়া মেঞ্জোর অমদি হিংহৌবা লান্মীশিং লান হৌরকপদা চেন্দুনা হিংহৌবনি। মথৌনা লৈবা ইপু পাওনাগী তুং ইনবা শিবা কিদবা লান তৌখিবশিং অদুনি শিখিবশিংদু। মদুগী মনুংদা লান চৎলুসু হায়দবা ওজাগী তুং ইন্না থৱায় থারবসু থাজগনি হায়বা চিংলেনসনা য়াওরি। তোপ মরূ পোকখায়দ্রিঙৈদা মৈনা কক্তুনা পোকখায়হনখিদে, মরূ খরদি। মতমদুগী লানগী আইন্দা লান মায়থীবশিং থৱায় থাদোকউ হায়বা লৈতে, সরেন্দর তৌগদবনি। তোপ কাপশিল্লকপা অমদি লানবন চাইখাইরকপা অদুদা হিংহৌবা, অশোক অপন নংবা চোংথামিয়া মেঞ্জোরনা লুচিংদুনা বৃটিশতা সরেন্দর তৌগদবনি। ইকায়নীংঙাই লৈতে, পৃথিবীগী লানগী আইননি। ইপু পাওনা তৌখিদে, তোপসু নিংথৌনা মাঙজৌননা পীহনখিদবা, নোংমৈসু সঙ্গিন হাপ্তুবা, ইনক নক্লা থৌবাল তোমজিংদা তোপ ময়াম লৈ। কম্মান্দরনা য়েংখোয়বা মেঞ্জোরনি। মদুদগী হান্না তোপ অনীদং লৌরম্বা য়াবনি। তোপকী দিমান্দ তৌখিদে। নিংথৌনসু তোপ লৌরো হায়দে। থৌবাল তোমজিংগী তোপশিং অরেম্বদা তাদুনা লৈ। লৈবাক্কী নিংথৌ য়াওনা লানসু তোপ য়াওদনা শোকনৌ হায়বা, নোংমৈদা সঙ্গিনসু হাপ্তুবা, লানবন অফবা লৈতবা, লৌবুক লমহাংদা লান্মী ৭০০/৮০০ থাজিল্লকপা, চান-থক্লবসু শিল লাংদবা শিরো হায়না থাজিল্লকপনি। অসিগুম্বা চৎন-কাঙলোন চৎপা লৈবাক অদুগী মী পূম্নমক য়াম্না চাওখৎতবা থাক্কী মীশিংনি/ত্রাইবনি পাওনা ব্রজবাসিদা নত্তে লোইনমকনি। ইপু পাওনাবু ৱাংনা থাঙ্গৎপদি লান্মী অতৈনা চেনখ্রগা মহাক্লা শিরগনি খঙনা খঙনা সরেন্দর তৌখিদবা অদুনি। মহাকপু নুংশিখিবা থৱায় থামিন্নখিবা বৃটিশকী লান্মী খরখিৎতং ওইরবসু থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখিবা অতাঙবনি।

**ইন্দিয়াদা কনা কনাবু জেনরেল কাষ্ট কৌবগে?**

হিন্দুগী থাজনবা লৈ মদুদি অদুঙৈ ওগষ্ট মুনিনা 'অবু' কৌবা চীংদোলদা ভগবান বিষ্ণুবু পেলহন্নবা 'যজ্ঞ' পাঙথোকখিবদা, বিষ্ণুনা পেনবিরদুনা নিপা মরি 'যজ্ঞ' গী ফম্বাক চিথেক মরিদগী ফাওগৎহল্লকখি। নিপা মরি অসি ইন্দিয়াগী গুজরাট, বেঙ্গোল, বিহার অমদি রাজস্থানগী মফমশিংদা পানখি। মখোয় রাজপুট হায়না খূৎকন পাঙ্গলনা পানখি। মহাভারতকী কৌরব পান্দব হায়বদুসু 'ব্যাসদেব' মুনিগী ধারানি। ক্ষেত্রিয়াশিংনি অসুম্না রাজপুট অমসুং ক্ষেত্রিয়াশিং অদুনি জেনরেল কাষ্ট ওইরিবসি, অতৈদি 'আদিবাসি' ত্রাইব, সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইরিবসিনি। অতৈ ৱারীশিংসু লৈরমগনি। 'অর্জুন' হায়বা মহাভারতকী খ্বাইদগী তেন হৈবা নিপা অদু 'ইন্দ্রদেব' গী মচানি, কয়াদা থাক ৱাংলিবা।

মৈতৈ ঐখোয়দি হিন্দু ওইরবসু নমপোই পোইবা হিন্দুনি, থরোই চাই, নাওশেক হাপ্লবদি মোরোক মেৎপদু পোজ তারে হায়রি, অতৈ ইন্দিয়াগী হিন্দুশিংনা চাদবা ঙা, তিলগী জাৎ কয়া চারি। হিন্দুগী লাইশঙ চঙবা য়াদে, বামোন (ব্রহ্মন) শোকপা য়াদে। ইন্দিয়াগী মীৎয়েংদা ঐখোয় আদিবাসিশিংনি।

ত্রাইব হায়বসি ঈনা খায়দে, থৌদৌনা খায়গদবনি। Premitive Traits হায়বা এস টি চন্নবগী Criterion অদু মৈতৈদা চেল্লিবনি।

**মৈতৈ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইরম্বা য়াবা তাঙ্কক খরা :** কুমজা ১৯৮১দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা শ্রীরিশাং কৈশিংনা এসেমব্লিদা জিরো অৱারদা মৈতৈ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইহনসি হায়না পুখৎখি।


অতোপ্পা মোসন অমনা ত্রাইবশিং ইঞ্জিনিয়র সেলেক্সনদা কোটা শুনা খনবিদ্রে হায়বনি। অনীশুবা মোসন অসিগীদি মতমদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংদগী অইবা চাংয়েংদা কট ওফ মার্ক য়ৌদবদগী কোটা শুনা খন্দবনি হায়না খুমখি।

অদুবু মৈতৈ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইননবগী মোসন অসিদদি এম এল এ অমত্তনা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙখিদদুনা লৈঙাক্তা অয়াবা পীখিদ্রে। সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইহনবা য়ারোই হায়বগীদি গভর্ণরদা দরখাষ্ট থাবা, ৱাকৎ মীফম তৌবদি লৈখি। অতোপ্পা মতাং অমনা কুমজা ১৯৫৮দা অসামগী গভর্ণর ওইরম্বা শ্রী আকবর হায়দ্রিনা মণিপুরদা ওফিসল খোঙচৎ অমদা মণিপুরগী ওল্ড সেক্রেটরিএটতা মৈতৈ মচাশিংদা নখোয় জেনরেল কাষ্ট নত্তে সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইহনবীয়ু হায়না দরখাষ্ট থারকউ, মহাক্লা মখা তাবা থবকশিং তৌবীগে, মসিনা নখোয় তুংদা য়াম্না কান্নগনি হায়বিরমই। কনা অমত্তনা মাগী ৱা ইনবিখিদে। শ্রী আকবর হায়দ্রি মণিপুরগী ৱাইখোঙদা লৈবা থুমখোঙ য়েংলুবদগী ৱান্থরক্তুনা খুদক্তা শিখি। মাগী মোংফম কংলাদা লৈ।

কুমজা ২০১৫গী জুনদা মতমদুগী মিনিষ্টর ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অমসুং ষ্টেটশিংগী চীফ সেক্রেটরিএটতা ইবা চিঠি অমদা সোর্স অমদগী এস টি ওইজগে হায়না হায়জরক্লবা অমদি ইথনোগ্রাফি রিপোর্টনচিংবা, হীরম অসি শৌগৎপা চে চাং য়াওরক্লবা, অদু ওইবা তারবদি দরখাষ্ট অদু আর জি আইনচিংবা ভেটো তৌবা ঙম্বা ওফিসশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাক্লা রেকমেন্দ তৌদ্রবসু টাস্ক ফোর্স অমা মাগী সেক্রেটরিনা চ্যেরমেন ওইবা অতৈ মেম্বরশিংদি সেক্রেটরি কলচর, সেক্রেটরি হোম, সেক্রেটরি সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্টনচিংবশিংনা শেম্বা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মীটিং অমা তৌরগা খন্নবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মাগী ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী এদমিনিষ্ট্রেসননা য়াদে হায়দুনা দরখাষ্ট অদু অথিংবা পীবা হায়বদি নমশিন্দুনা থম্বা য়াদে হায়বা চে লৈ।

অইবগী মোৎতা লৈঙাক্লা ইথনোগ্রাফি অমসুং লেটেষ্ট সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট রিপোর্ট কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন ওফ রিপ্যুটনা পীবা অদু য়াওনা মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী পনখৈদা হাপচিনবীয়ু হায়না/রেকমেন্দেসন তৌগদবা অদুদা মৈতৈগী ইথনোগ্রাফি অমসুং সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট অদু লৈঙাক্লা ইগদবনি হায়বা তশেংনা হায়দে। কুমজা ২০১৫গী জুন ২দা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসনা থারকপা চে অমগী আর্টিকল 4 (iii) দা য়েংবীয়ু। ফুরুপ মশানা দরখাষ্ট থাবদা হাপ্লক্কদবা চে চাংনি হায়বনি।

অশন্বীদা খুদম ওইনা কোলেজ অমগী ওজা ওইজগে হায়দুনা দরখাষ্ট থারবদি এদ্যুকেসনল বাইও দাটা মশানা পীবা তাই। এস টি দি সী এমনা ইথনোগ্রাফি অমসুং সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট পীজগদবনি। হান্নগী হৌদোক্লকপা কম্মিটিনা হায়রিবা চে চাং অসি শেম শাবা হৌরুরবনি। হায়রিবা রিপোর্টশিং অসি লূপ অমনা ইদুনা থাফম থোকপা মিনিষ্ট্রিশিংদা থাখ্রে হায়বা পাউ লৈরে। হৌজিক্তি মণিপুরগী নিংথৌ মশামক্লা অমদি মাগী সলাইচা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটস পীয়ু হায়রক্লবনিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াদবা য়াদে। মরমদি, খ্বাইদগী ৱাংবা মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীখিবা নিংথৌগী মশু নিংথৌনা হায়রক্লবনিনা। ●



HL-B/7838/20/9-4/10

**RECRUITMENT**

*The deserving candidates are requested to submit their resumes with two recent passport photos along with supported documents on or before 28th Sept for the following Posts. For category B & SL.no . 14 fooding & lodging are free.*

| CATEGORY A: POST (Number) | QUALIFICATION | Preferance | Remuneration |
|---|---|---|---|
| 1. PRINCIPAL (1) | MSc/M.A+ More than 10 yrs teaching experience | Retd. lecturer | 20k-35k |
| 2. Chemistry Lecturer (4) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 20k-30k |
| 3. Botany Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 4. ZOOLOGY Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc / College | 15k-25k |
| 5. Physics Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 6. ACCOUNTANCY Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 7. History Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 8. Political science (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 9. Geography Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 10. Economics Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 11. SOCIOLOGY Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 12 ENGLISH Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 13 Education Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 14. WARDEN 2M&2F (4) | MSc /M.A | Teaching expt upto CLASS X IN CONCERNCED SUBJECTS | 15k-25k |
| **CATEGORY B: POST (Number)** | **QUALIFICATION** | **Preferance** | **Remuneration** |
| 1. SALES MAN/PHARMACIST (3) | M.R /Medicine knowledge | Exp. as salesman/MR//marketing | best in market |
| 2. Cook or chefs of Fast food (2) | more than 2yrs Exp. | NO USED ALCOHOL OR DRUG | BEST IN MARKET |
| 3. Hotel Helpers M/F (2) | SINCERITY | NO USED ALCOHOL OR DRUG | BEST IN MARKET |

OFFICE OF ADVANCED COACHING INSTITUTE AT NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI OR KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH # 8787586090

HL-B/7838/20/9-4/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।